## লৈচিল কা হেন্না থাবদগী ট্রেন ৩২ কেন্সেল তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা ইংবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা অয়ুক্কী মতমদা লৈচিল কা হেন্না থাবদগী ময়েক শেংনা উবা ফংদবনা মরম ওইরগা মফম খরদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপগী রিপোর্ট লাকখ্রবা মতুং য়ুপিদা লৈচিল কা হেন্না থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন ৩২ কেন্সেল তৌখ্রে। অদুগা মফম খরদনা থেংথহনখ্রে হায়রি।

সী পি আর ও নোথর্ন রেলৱে ভগলপুর-অন্দ ভিহার ভিক্রমসলা অমসুং বরাওনি-ন্যু দেল্লি ট্রেনশিং পুং ৫ থেংনা লাকখি। অমরোমদা, রাজেন্দ্রনগর-ন্যু দেল্লি রাজধানি অমসুং রাজেন্দ্রনগর-ন্যু দেল্লি সম্পুরনা ক্রান্তিনা পুং ৩ থেংথনা চৎখি। বনারস-ন্যু দেল্লি সুপর ফাষ্ট, স্লাম্পুর-ন্যু দেল্লি মগধ এক্সপ্রেস অমসুং দিব্রুগর-ন্যু দেল্লি রাজধানি এক্সপ্রেসনা পুং ২/২ থেংথখি। অমরোমদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৈচিল কা হেন্না থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন তোঙলিবা পেসেঞ্জরশিংনা মীপায়বা উৎলকপদগী মোরাদাবাতদা ট্রেন ৩২ কেন্সেল তৌখি হায়রি।

## কোংগ্রেসনা মতম পুম্নদা লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংবু ইকায়বা পীদুনা লাক্লি ঃ স্মৃতি ইরানি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা মতম পুম্নদা লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংবু ইকায়বা পীদুনা লাক্লি। কোংগ্রেসনা লৈবাক অসিগীদমক কথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগীদমক থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোরক্কনি হায়বা কৈদৌনুংদা থাজবা তৌদে। থা অসিগী ৯ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদসু কোংগ্রেসনা ইন্দিয়ন আর্মিবু পুক্নিং থৌগৎপগী মহুত্তা পুক্নিং শোন্থবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ইরানিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ৯ দা চাইনিজ মিলিটরিনা অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং সেক্টরগী শরুক্তা লৈবা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিং লানশিন্দুনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ শরুক্তা চঙশিল্লক্লবা হোৎনখি। অদুবু ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা অরানবা মওংদা চঙশিল্লকপা চাইনিজ মিলিটরিশিং অদুবু থিংদুনা থমখিবগা লোয়ননা মখোয়গী বেজদা অমুক নমফুদা হলহনখি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ন আর্মিনা তৌফম থোকপা মথৌ চপ চানা তৌখিদে হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু লাইবক থিবনি। লৈবাক অসিগী লান্মীশিংবু তাথি তাওইনা হায়রগা মখোয়গী কান্নবা করিনো। লান্মীশিং অসিনা ঙমখৈগী শরুক্তা তুমফম চাফম খঙদনা মথৌ তৌরিবা অসি লৈবাক অসিগী নিংতম্বা অমসুং লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কীনি। লান্মীশিংনা হোৎনরিবা অসিদা গান্ধী ফেমিলিগীসু য়াওরি হায়বসি কাওরোইদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ঙমখৈগী শরুকশিংদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎতবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা য়াম্না তোয়না শিংনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবনি হায়না ওপোজিসননা মরাল শিরি। ঙমখৈগী শরুক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকপা হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা থোক্লিবা থৌদোক ঙাক্তনি। অদুবু কোংগ্রেসনা সেন্টরদা লৈরিঙৈ মতমদা ঙাকপা ঙমখিদবা ঙমখৈ কয়া বি জে পিগী মতমদা ঙমখ্রে হায়বসি কাওরোইদবনি হায়রি। অমরোমদা, লো মিনিষ্টর কিরন রিজিজুনসু কোংগ্রেসকী ৱাফমদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

## পোৎ-চৈ মমল কা হেন্না তাঙবগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা নরেন্দ্র মোদি হুন্দুনা ঙাংখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না তাঙখৎলকখিবা অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু হুল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাক্কী মরুপ মপাংশিং খন খন্দুনা নুংঙাইহনবগী থবক লেপ্পগী মতম ওইরে। অদুগা পোৎ চৈ মমল কা হেন্না তাঙখৎলকপদগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামগী মরক্তা লৈদুনা মখোয়না থেঙনরিবা অৱাবশিং অদুবু খঙনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাইরবা মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা পোভর্টি লাইনগী মখাদা লৈবা মীওইশিংদা অখন্নবা স্কিম অমগী মখাদা গ্যাস সিলিন্দরশিং লেম্না য়েন্থোকখ্রে। অদুবু হায়রিবা সিলিন্দরশিং অদু ইহাঙ হাঙদুনা লৈরি। মরমদি অহাঙবা সিলিন্দর অদু গ্যাস হান্নবা হোৎনবদা মমল কা হেন্না তাঙবদগী হানবা ঙম্নরক্তবদগী গ্যাস সিলিন্দর অমগী মমল হৌজিক ১০০০ গী মথক্তা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা নোংমগী শুরগা চাজবা মীওই কয়াদি গ্যাস হানবা ঙমদবগী ফীভমদা লাক্লে। মরম অদুনা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়বা রাজস্থানগী ওইনদি ষ্টেট অসিগী মনুংচন্না লৈরিবা লাইরবা মীওইশিংদা গ্যাস সিলিন্দর লুপা ৫০০ দা পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা ঙরাং লাউথোকখ্রে। মসি সেন্টরগী ওইনদি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্না নক্নবা মীওইশিংগীদমক্তদি চোকথবা লৈতনা অঙম্বা মতেং পীরি। অদুগা লাইরবা মীয়ামশিংনা শিজখ্রসনু হায়বগী মতাগুম হন্না য়েংবীদনা লৈরি। মসি লৈবাক অসিগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। মরম অদুনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীয়াম্না বি জে পি পারা তন্থীবগী মতম ওইরে। মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংগী মতমদা থাও অমদি পোৎ চৈগী মমল ঙসিগী ওইরিবা অসিগুম্না তাঙবা য়াওখিদ্রি হায়রি।

## কর্নটাকা-মহারাষ্ট্রগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর সিন্দেনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি



নাগপুর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্র অমসুং কর্নটাকা ষ্টেট অনীগী লোন্নবা শরুক্তা ঙমখৈগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিবু চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা খঙশিন্নদবা শাদুনা ঙসি ফাওবদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়না সিভ সেনা (উধব বালাসাহেভ থাক্রে) গী লুচিংবসু ওইরিবা হান্নগী ষ্টেট মিনিষ্টর অদিত্য থাক্রেনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অদিত্য থাক্রেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোক্লিবা অসিগী মতাংদা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী মীচংদা লেপ্পুনা ৱা ঙাংলুরবদি বি জে পিগী লুচিংবশিংনা মহাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লক্তবা য়াই হায়না কিবদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লাকখিবনি হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। মহাক হান্নদগী মীচেল ওইনা হৌরকখিবনি। হৌজিকসু মহাক মীচেল ওইনা অদুম্মক হিংলি হায়না থাক্রেনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লাস্কর টেরোরিষ্ট ৩ সিক্যুরিটি ফোর্সকী এনকাউন্টরদা শিরে

স্রিনগর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মনুংচনবা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সনা চৎখিবা এনকাউন্টর অমদা লাস্কর-ঈ-তাইবা লালহৌলুপকী মীওই ৩ শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না এনকাউন্টরদা লৈখিদ্রবা লালহৌবশিং অদু লোকল রিক্রুট ঙাক্তনি। লৈখিদ্রবা মীওই ৩ অদুগী মনুংদা অতোপ্পা অনীদি জম্মু অমসুং কাস্মিরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মি কেম্প মনাক্তা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ২ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়রি।

## মীচম অনী শিখিবগী মতাংদা স্পিসল ইনভেষ্টিগেটিং টিম অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে



জম্মু, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মনুংচনবা রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মি কেম্প অমগী মনাক্তা মীওই অনী নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবা অদুগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক জম্মু অমসুং কাস্মির পুলিসনা স্পিসল ইনভেষ্টিগেটিং টিম (এস আই টি) অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউনা হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা আর্মি কেম্প অসিদা থবক শুবা মীওই অনী কেম্প অসিগী মনাক্তা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা নোংমৈনা পানবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রগা অমনা শোকহনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা খোয়শাওনরবা মীয়াম্না আর্মি কেম্প মমাঙদা থোমজিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা কেম্প মনুংদা নুঙ অমদি চেক্কুম্নচিংবশিং লঙশিনদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

অমরোমদা, আর্মিগী মায়কৈদগীদি মীচম অনী অদু হান্নগী মতৌগুম মখোয়না থবক শুবা লাকপদা মশক খঙদবা লালহৌবা খরনা নোংমৈনা কাপ্পম্বদগী শিখিবনি। থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা পুলিস অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসলশিংসু লৈখি। থৌদোক অসি আর্মিগা হীরম অমত্তদা চেন্নদে হায়রি।

অমরোমদা, আর্মিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু লোকলগী মীওইশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা উৎপদগী ঙরাং নুমিদাং জে এন্দ কে পুলিসনা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখিবনি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু ৱাথোক্কী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক এন ঐচ আর সীগী টিম বিহারদা থুংখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : বিহারদা হু চেনবা য়ু থকউবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৬০ রোম হেন্না শিহনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদে হায়দুনা মীয়াম্না পেন্দবগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লিঙৈ মরক অসিদা থৌদোক অদুবু য়েংশিন্নবগীদমক নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী) গী টিম অমা ঙসি বিহারদা থুংখ্রে হায়রি। মীওই ৯ না শাবা টিম অসিনা মমাঙ চয়োলদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই কয়া শিহনখ্রবা মতুং খোয়শাওনরবা মীওই কয়ানা থোক্লক্তুনা মসরখ হনুমান চোক ফাওদুনা চেল্লিবা বিহার ষ্টেট হায়ৱে ৯০ থিংজিনখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়োক্তা পেন্দবা খোল্লাউ লাউদুনা লাকখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা বিহার এসেমব্লিগী ওইনসু ওপোজিসন অমদি রুলিংগী মরক্তা মরৈ কয়া য়েৎনদুনা লাক্লি হায়রি।

## 'থা অমদা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১৫ খোঙনা চৎতুনা মীয়ামগা উন্নগদবনি'

জয়পুর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো য়াত্রাগী রাজস্থান খোঙচৎ ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং, ওফিসল বিয়ররশিং য়াওনা কোংগ্রেসকী থৌমী খুদিংমক্না থা অমগী মনুংদা কিলোমিটর ১৫ খোঙনা চৎতুনা মীয়ামগা ৱারী শাবগী থবক চথগদবনি হায়না রাজস্থান কোংগ্রেস য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট গোবিন্দ সিংহ দোতসরানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিনা পীরিবা কান্নবশিং ঐখোয় খুদিংমক্না উবা ফংলে। মরম অদুনা মখা তানা কোংগ্রেসকী লুচিংবা খুদিংমক্না থা অমদা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১৫ খোঙনা চৎতুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগা পাউ ফাওননা হোৎনগদবনি। মতম অদুতদা মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা ষ্টেট অসিদা শোয়দনা লৈহনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিব অসি খুদিংমক্না ঙাক্না চৎকদবনি হায়রি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 762/AS&SO-VII Dt. 7/12/2022**
Athokpam Nimaichand Singh S/o (L) A. Ira Singh of Athokpam Makha Leikai. -Applicant
-Vs-
(L) Athokpam Mikoi Devi W/o (L) Ira Singh of Athokpam. -OPP

**NOTICE**
16/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩২-অথোকপম পাট্টা নং ৩৩ (অরিবা) ৯১ (অনৌবা) দাগ নং ২১০৪ এরিয়া .৬২২৫ হেক্তর চাওবা ফৌরেল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ২ শুবা মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি অথোকপম নিমাইচান্দ সিংহদা হেক্তর .৩৭২৫ অসি নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্পকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
**Assistant Survey&Settlement Officer-VII**
**DSLR, Manipur**
HL-P/5466/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 294/SDC/WKG of 2022.**
App :-
1. Thokchom Kumarjit Singh S/o (L) Tomba Singh of Thongjao Makha Leikai.
2. Shamjetsabam Priyokumar Singh S/o (L) Kunjeshwor Singh of - do -
-Vs-
Opp :-
(L) Thokchom Tomba Singh S/o (L) Irabot Singh of Thongjao.

**NOTICE**
Dated : 20/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 74-Thongjao পাট্টা নং 430 দাগ নং 1120 এরিয়া 1.30 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Waikhong
HL-P/5280/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 289/SDC/WKG of 2022.**
**14/12/2022**
App :-
1. Laishram Sunil Singh S/o (L) Mangi Singh of Khagempali Huidrom Leikai.
2. Laishram Barun S/o (L) Tarun Singh of - do -
3. Laishram Arunkumar Singh S/o (L) Mangi of - do -
4. Laishram Surjit S/o (L) Mangi Singh of - do -
-Vs-
Opp :-
(L) Laishram Mangi Singh S/o (L) Mokundo Singh of Khagempali Huidrom Leikai.

**NOTICE**
Dated : 15/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 81-Kakching Khunou পাট্টা নং 189 (N) and 261 (N) দাগ নং 641 (N) and 603 (N) এরিয়া 2.50 and 2.42 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Waikhong
HL-P/4942/21

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, VII-THOUBAL**

**Ref :- Mutation Case No. 776/AS&SO-VII/TBL Dt. 15/12/2022**
1. Ningthoujam Chaoba Devi W/o (L) Ibohal Singh of Khangabok Awang Maning Leikai.
2. Ningthoujam Khamba Meitei S/o (L) Pakchao Singh of - do - -Petitioners
-Vs-
(L) Ningthoujam Pakchao Singh S/o (L) Thambou Singh of Khangabok. -OPP

**NOTICE**
Dt. 20/12/2022

অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী পাট্টা নং ৯৮৮ (অরিবা) ১৪১৪ (অনৌবা) গী দাগ নং ৪২০০ গী হেক্তর .১১০০ চাওবা ইশ্বোল অসিদা নামা পাল্লিবা শ্রী নিংথৌজম পাকচাও সিংহ পাট্টাদার অসি মতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা Petitioner মমৌনুপী অমদি মচানুপা মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু, অমদি ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেঅসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী Court অসিদা Objection তৌবীগদবনি নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি, তুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
**Assistant Survey and**
**Settlement Officer-VII /TBL**
HL-P/5466/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 542/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
1) Mohan Kumar Karki S/o (L) Dal Bahadur Karki (.146 acre) of Kanglatongbi.
2) Yam Bahadur Karki S/o (L) Dal Bahadur Karki (.146 acre) of - do -
3) Ghanashyam Karki S/o (L) Dal Bahadur Karki (.146 acre) of - do -
4) Tej Bahadur Karki S/o (L) Dal Bahadur Karki (.146 acre) of - do -
5) Santosh Karki S/o (L) Dal Bahadur Karki (.146 acre) of - do -
6) Tek Bahadur Karki S/o (L) Dal Bahadur Karki (.07 acre) of - do - -Petitioners
-Vs-
(L) Smt. Goma Devi W/o (L) Dal Bahadur Karki of Kanglatongbi. -Pattadar

**NOTICE**
Sekmai, the 20/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 31-Kanglatongbi Under Patta No. ... (Old) 1476 (New) Covered by c.s. Dag No. 5163 গী area .80 acres চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা application থারক্লে, অমদি ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5468/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 1009/SDC/NBL of 2022.**
1) Pukhrambam (O) Ashabala Devi W/o (L) Nandashyam Singh.
2) - do - Chandani Devi D/o (L) Nanda Singh
3) - do - Nandadhon Singh S/o (L) - do -
4) - do - Ananda Singh S/o Nandalal Singh
5) - do - Ashnikanta S/o - do - all of Nambol Awang -Petitioners
-Vs-
(L) Pukhrambam Nandashyam Singh S/o (L) Nanda Singh of Nambol Awang Leikai. -O.P

**NOTICE**
Dtd. 20/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 19-Nambol Awang গী (1) Patta No. 379/385 (New) Dag No. 1712/1718 Area 0.185 acre Class Ingkhol হায়রিবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মাগী শরুক মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol
HL-P/5279/21

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR SUGNU**

**Ref :- Mutation Case No. 523 of 2022.**
App :-
Moirangthem Ramananda Singh S/o M. Ranbir Singh of Kakching Phousupat Leikai.
-Vs-
Opp :-
(L) Moirangthem Ibohal Singh S/o Dhahal of Kakching Khullen.

**NOTICE**
Dated, 20/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 87-Nungoo পাট্টা নং 203 দাগ নং 217 এরিয়া 1.96 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Sugnu
HL-P/5278/21

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 761/AS&SO-VII Dt. 7/12/2022**
Mutum Thambaltombi Devi W/o (L) M. Sanahal Singh of Kiyam Siphai Mamang Leikai. -Applicant
-Vs-
(L) Mutum Sanahal Singh S/o M. Iboton Singh of Kiyam Siphai. -OPP

**NOTICE**
16/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৪২০ (অরিবা) ৫৬৬/১৬৩৯ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২৩৫৩/২৫৯২ এরিয়া .১৩৯০ হেক্তর চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি মুতুম থম্বালতোম্বী দেবী অসিদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্পকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
**Assistant Survey&Settlement Officer-VII**
**DSLR, Manipur**
HL-P/5466/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 537/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
1) Palungbam Bikramjit Bose S/o (L) Palungbam Tomba Bose.
2) Palungbam Boney Bose S/o (L) Palungbam Tomba Bose of Lairikyengbam Makha Leikai. -Petitioners
-Vs-
(L) Palungbam Basanti Devi W/o (L) Tomba Bose of - do - -Pattadar

**NOTICE**
Sekmai, the 19/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 44-Loitang Sandum Under Patta No. 101, 153 (Old) 155 (New) Covered by c.s. Dag No. 74 গী area 1.68 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5468/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 536/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
Thangjam Gopendra Singh S/o Thangjam Sajou Singh of Khonghampat Awang Leikai. -Petitioner
-Vs-
Thangjam Sajou Singh S/o (L) Pheijao Singh of Khonghampat Awang Leikai. -Pattadar

**NOTICE**
Sekmai, the 19/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 37-Pheidinga Under Patta No. 12 (Old) 15 (New) Covered by c.s. Dag No. 29 গী area 1.19 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5468/21